# লমাই ১০৪৫কী অযোধ্যা ৱায়েল মতুংদা ৫–ষ্টার হোটেলদা সুপ্রিম কোর্ট জজশিংগী চাক্লেন থৌরাং তৌখ্রে



***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

অযোধ্যাদা লাইশঙগা মোস্ককগী চহী দিকেদ কয়া লিরবা য়েৎনবা অদুগী মতাংদা ইতিহাসিক ওইরবা ৱায়েল অমা পীরবা তুংদা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোই অমসুং মহাক্কী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চকী জজ ৪না দিল্লিগী আইকোনিক টাজ মানসিংহ হোটেলদা চাক্লেন অমগীদমক থৌরাং তৌখ্রে হায়না লিখুলশিংনা হায়রি।

জষ্টিসশিং –এস এ বোবদে, অশোক ভুসন, দি ৱাই চন্দ্রচুদ অমসুং এস এ নাজীরগা লোয়ননা জষ্টিস গোগোইনা নুমিৎ ৪০নি চুপ্পা নুমিৎ খুদিংগী কেস অসিগী হিয়ারিং চংখি। মদু হান্ন চহী অসিগী আগষ্টতা মেদিয়েসন পেনেল অমনা য়ানবা ৱারোসিন অমা পুরকপা ঙমখিদবা অদুগী মতুংদনি।

ঙরাং লমাই ১০৪৫ পানবা ৱায়েল অমদা মখোয়না লম একর ২.৭৭ অদু রাম লাইশঙ শাননবগী ট্রষ্ট অমদা পীনবা ওর্দর তৌখি অমসুং অযোধ্যাগী মফম চাবা অমদা মোস্ক অমা শানবগীদমক লম একর ৫কী প্লোট অমা পীনবা সেন্টর নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা য়াথং পীখি।

কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অদুবু লূচিংলিবা জষ্টিস গোগোই নবেম্বর ১৭তা থবক্তগী পোত্থরগদবনি।

রামগী পোকফমনি থাজনরিবা মফম থায়নগী লাইশঙ অমগী অমনবা অতেক–অকাই মথক্তা শাখিবনি হায়না হিন্দু রাইট ৱিং এক্টিবিষ্টশিংনা থাজবা বাব্রি মোস্ক অদু ১৯৯২দা মখোয়না থুগাইখি। মদুদগী থোক্লকখিবা কাংলূপ মশেন হাৎ–শুনবদা মীওই ২,০০০ হেন্না শিখি।

ৱায়েল অদুদা সুপ্রিম কোর্ট বেঞ্চ অদুনা আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অমা পল্লদুনা মোস্ক অদুগী মখাদা ষ্ট্রকচর অমা লৈ হায়বা রুলিং পীখি। অদুম ওইনমক মখোয়না ষ্ট্রকচর অদু লাইশঙ অমরা হায়বদু অকক্লনা হায়খিদে।

সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং অদুনা অদুম ওইনমক মোস্কশিং অদু থুগাইখিবা অদুদি আইনগী মায়োক্তনি হায়খি। রুল ওফ লো ঙাক্লবগী ফিরেপ লৌরিবা সেক্যুলর নেসন অমদা চত্থরোইদবা মওংগী পাম্বৈশিংনা মোস্ক অদুগী ষ্ট্রকচর মাঙহনবীখ্রবা মুস্লিমশিংগী ফংফম থোকপা অদু কোর্ট অসিনা ইন্দবা তারবদি জষ্টিস হায়বদু ওইরোই হায়না ৱায়েল অদুদা হায়খি।

অযোধ্যা টাইটল সুট অদুদা য়াওরিবা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মনুংদগী অমা ওইরিবা মুস্লিম ৱাকফ বোর্দনা ৱায়েল অদুবু ‘অচুম্বা নৎতবা’নি হায়খি। ঐখোয়না মসি অচুমবা নৎতবা অমনি খল্লি। ঐখোয়না মসিবু অচুম্বনি খনবা ঙম্লোই। ঐখোয়না ৱায়েল অদুগী শরুক পূন্নমকপু প্রটিসাইজ তৌবা নৎতে হায়না মুস্লিম গ্রুপ অদুগীদমক লেপ্লিবা উকিল জাফরয়াব জিলানিনা হায়খি।

হৌখিবা চহী ৩০দা লাইশঙগা মোস্ককগী খৎনবা অদুনা ১৯৮০গী চহীশিংদা অপীকপা পোলিটিকেল গ্রুপ অমা ওইরম্বদগী বি জে পি বু লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী চাওবা পার্টি অদু ওইহল্লক্তুনা পোলিটিকেলগী শক্তম অদু চপ চানা ওন্থোকখি।

# ‘২০২৪গী মমাঙদা লাইশঙ শাগনি’



***ইন্দোর /অহমেদাবাদ, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

অযোধ্যা কেসতা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েলবু তরান্না ওক্তুনা বি ঐচ পি ইন্টরনেসনেল প্রসিদেন্ট বিষ্ণু সদাশিব কোকজেনা অচৌবা লাইশঙ অমা রাম জন্মভুমি ন্যাসকা থৌরাং তৌরিবা দিজাইন মতুং ইন্না মফম অদুদা শারগনি আশা তৌই হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না শেমগদৌরিবা ট্রষ্ট অদুনা লাইশঙ অদু ২০২৪গী মমাঙদা শাগনি হায়বসিদা মহাক থাজে হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা মত অমত্তা ওইনা পীখিবা ৱায়েল অমনা অযোধ্যাগী য়েৎনরিবা মফম অদুদা রামগী লাইশঙ অমা শাবা য়াহনখি অমসুং সুনি ৱাকফ বোর্দতা মোস্ক অমা শানবা লম একর ৫ পীনবা সেন্টরদা য়াথং পীখি।

রামগী লাইশঙ অদুগীদমক ফ্লোর ২গী নুংদা হকপগী থবকশিং মপুং ফানা হান্ননা লোয়শিন্দুনা থম্লে। তাঙ্কক অসিদা ট্রষ্ট অদুগী থবক্তা ঐখোয়না চীংননিঙাই মরম অমত্তা লৈতে। ট্রষ্ট অদুনা ঐখোয়গী মায়োক্তা থবক তৌরক্কনি হায়না ঐখোয়না ঙসি করিগী খনগদৌরিবনো ?

লাইশঙ অদু শানবা রাম জন্মভুমি ন্যাসকা পূন্না ট্রষ্ট অদুনা থবক তৌরক্কনি হায়বসিদা ঐহাক্না শোয়দনা থৌজে হায়না বিশ্ব হিন্দু পরিষদ (বি এস পি) ইন্টরনেসনেলগী প্রসিদেন্ট সদাশিব কোকজেনা হায়খি।

# আর এস এস চীফ মোহন ভগৱতনা কাশি–মথুরাগী খোল্লাও য়াখিদ্রে

***ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***



বি জে পিগী আইদিওলোজিকেল গুরু রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সঙ্ঘ (আর এস এস)না মখোয় বরানসি অমসুং মথুরাদা মোস্কশিংগী মফমদা লাইশঙ শান্নবগী ৱাফমদা য়াওরোই হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে।

অযোধ্যাদা য়েৎনরিবা লম একর ২.৭৭দা লাইশঙ অমা শাবগীদা অয়াবা পীবা সুপ্রিম কোর্টকী ইতিহাসিক ওইবা ৱায়েন অদু য়েংলগা বরানসি অমসুং মথুরাদা মুস্লিমশিংগী মোস্কশিং লৈবা মফমদা লাইশঙশিং শানবগী মতাং অদুদা হংবদা আর এস এস চীফ ভগবতনা ওন্ন–তৈন্নবা পাউখুম পীরকখি।

সঙ্ঘনা এজিটেসনশিংদা য়াওরোই, মসিগী থবক্তি কেরেক্টর বিল্ডিংনি হায়না মিষ্টর ভগবতনা পাউমিশিংদা কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মতুংদা খুমখি।

১৯৯২দা অযোধ্যাদা বাব্রি মোস্ক থুগাইরবা মতুংদা রাইট–ৱিং গ্রুপশিং অদুগী কাংবু অমনা মখোয়গী মথংগী পন্থুংদি বারানিসি অমসুং মথুরা ওইবা য়াই হায়খিবনি।

‘য়ে সির্ফ ঝাংকি হে, কাশি, মথুরা বাকি হে’ (মসি সুপ্নগী ট্রেলর অমনি, কাশি, মথুরাদা চৎকদবা ৱাৎলি) হায়না অযোধ্যা মোস্ক থুগাইরবা তুং হল্লকপগী লম্বীদা রাইট ৱিং এক্টিভিষ্টশিং অদুনা অহানবা লাওখিবা খোল্লাও অদুদা হায়খি।

# মহারাষ্ট্র গভর্ণরনা গভর্ণমেন্ট শেন্নবা বি জে পিদা বার্ত্তন তৌখ্রে

***মুম্বাই, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

মহারাষ্ট্রদা বি জে পিবু গভর্ণমেন্ট শেন্নবা গভর্ণরনা বার্ত্তন তৌখ্রে। সিট ২৮৮ লৈবা মহারাষ্ট্র এসেমব্লিদা সিট ১০৫ লৈবা বি জে পি অমসুং সিট ৫৬ লৈবা শিব সেনানা ময়েক শেংলবা মেজোরিটি অমা লৈ।

অদুবু দেবেন্দ্র ফদনাবিজনা মথঙ অনীশুবা টার্ম অমগসু চীফ মিনিষ্টর ওইনা অপনবা অমত্তা লৈতনা অনৌবা সরকার শেম্বগী বি জে পিগী আশা অদু শিব সেনানা নেসনেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা মে থাদা অমিত শাহগা খন্নখিবনি হায়বা ৫০–৫০ ফোর্মুলা অমগী মখদা শক্তি চপ মান্না পায়মিন্ননবগী দিমান্দ তৌরকপদগী পন্দুনা লৈরকখি।

শিব সেনাগী মতুং ইন্না ৫০–৫০গী থৌরাং অদু চহী ৫গী টার্ম অদুগী মতম তঙ্খাই–তঙ্খাই চপ মান্ননা পার্টি অমমমদগী চীফ মিনিষ্টর ওইনগদবনি হায়বনি।



মহারাষ্ট্র গভর্ণর ভগত সিংহ কোসিয়ারিনা ঙসি সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরিবা বি জে পিগী ইলেক্টেদ মেম্বরশিংগী লূচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাবিজতা গভর্ণমেন্ট অদু শেন্নবা মহাক্কী পার্টিগী অনিংবা অমসুং ঙম্বা য়াবা লৈব্রা হংখি। মিষ্টর ফদনাবিজনা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেন্নবগী ইঙ্গিৎ অমত্তা য়াওদনা অমসুং মহাক্কী বি জে পি অমসুং মসিগী খোঙবু শিব সেনানা অমত্তা ওইনা পূশিন্নবগী ফিভম উৎতনা ইরাই নুমিৎতা চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী রিজাইন তৌখি।

গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী অরোইবা মতম ঙরাং অহিংনোংয়াইগী মমাঙদা মিষ্টর ফদনাবিজনা মহাক্কী ফম থাদোক্লবগী চেরোল অদু পীশিন্নবা গভর্ণর উন্নখি।

মহারাষ্ট্রগী এসেমব্লিগী টার্ম ঙসি লোইরে।

গভর্ণরনা গভর্ণমেন্ট শেন্নবা বার্ত্তন তৌরকখ্রবগী তুংদা মখা চত্থগদবা থবক লেপ্পনবা কিয়ারটেকর চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজ অমসুং ষ্টেট য়ুনিট চীফ চন্দ্রকান্তা পতিল, সেনিয়ার লিদরশিং গিরিশ মহাজন, সুধির মুগন্তিৱার অশিশ সেনার অমসুং পঙ্কজা মুন্দেনা শাবা বি জে পিগী কোর কমিটিগী মীফম ঙসি অয়ুক পূং ১১ তাবদা পাংথোকখ্রে।

মীফম অদুদা করি খন্নখিবগে হায়বদুগী মরীকচুম্বা মরোন অমত্তা ফোঙদোত্তনা মুগন্তিৱারনা পাউমীশিংদা হায়খি, বি জে পিনা ঙসি নুংথিল পূং ৪ তাবদা অতোপ্পা মীফম অমা ফমখিগনি। মদুগী মখা তারকপদা ঐখোয়না ৱারেপ অদু গভর্ণরদা পীশিনগনি অমসুং মীয়ামদা ফোঙদোক্কনি হায়খি।

# ফ্লোর টেষ্টতা এন সি পিনা বি জে পিগী মায়োক্তা ভোট পীগনি

***মুম্বাই, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী অনীংবা অপাম্বা লৈব্রা হায়না ঙরাং থাংজ নুমিৎতা বি জে পিদা মহারাষ্ট্র গভর্ণরনা হংলকখিবগা লোয়ননা গভর্ণরগী ৱারেপ অদু মতম থেংমল্লে অমসুং করিগুম্বা ফ্লোর টেষ্ট অমা তৌবা তারবদি মখোয়না বি জে পিগী মায়োক্তা ভোট পীগনি হায়না এন সি পিনা হায়খ্রে।

শাংলবা নুমিৎ ১৫নি থবক অমত্তা চত্থবা য়াদনা লৈরকখ্রবগী তুংদা ঙরাং থাংজগী নুমিদাংৱাইরমদা গভর্ণরনা বি জে পিদা গভর্ণমেন্ট শেন্নবগী অনীংবা অমসুং শক্তি লৈব্রা হংখি। গভর্ণরনা থবক অদু থেংনা লৌখৎলকখ্রে। মহাক্না মদু ঙন্না তৌরমগদবনি হায়না এন সি পিগী ৱাঙাংলোই মকোক নৱাব মালিকনা হায়খি।

করিগুম্বা শিব সেনানসু বি জে পিগী মায়োক্তা ভোট পীরকপা তারবদি মহাক্কী পার্টিনা অতোপ্পা মহুৎ অমগী খনবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অদুম ওইনমক মসিগী মমাঙদা ঙসি এন সি পি প্রসিদেন্ট শরদ পৱারনা শিব সেনাদা মহাক্কী পার্টিনা শৌগৎনবগী খন্নবা লৈতে হায়খি।



নৱাব মালিকনা এন সি পিগী এম এল এ ৫৪ অদু শরদ পৱার য়াওনা নম্বের ১২দা উন্নগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি শিব সেনানা মখোয়গী এম এল এ ৫৬ অদু বি জে পিনা থেমদুনা মুনখিদনবগী ঙাকথোক্লবা হোটেল অমদা পুল্লপ থমখ্রে।

মসিদা নত্তনা কোংগ্রেসকী এম এল এ ৪৪মকসু লোয়না পার্টি অসিনা লৈঙাক পায়রিবা রাজস্থানগী জয়পুরদা নুংঙাইরবা লম কোয়ফম অমদা থমখ্রে।

# জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু অচৌবা কৈশুমশঙ অমা ওন্থোকপগীদমক দি এম কেনা সেন্টরবু মরান শীখ্রে

***চেন্নাই, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

এম কে ষ্টেলিননা চিয়ার লৌদুনা পাংথোকপা দি এম কেগী মীফম অমদা পার্টি অসিনা সেন্টরবু জম্মুএন্দ কাশ্মিরদা ফাদুনা থল্লিবা মীওই পূন্নমক খুদক্তা থাদোক্লবা অমসুং মীওইবগী হক ঈকাইখুন্ননবা, কাশ্মির মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমসুং দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্নবা আপিল তৌখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মির রিজনবু অচৌবা কৈশুমশং অমা ওন্থোকপগীদমক মরুওইবা ওপোজিসন দি এম কেনা ঙসি সেন্টরবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুখ অবদুল্লা য়াওনা ফাখিবা পূন্নমক অদু থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ঙসি মীফম অসিদা পাংথোকপা পার্টিগী জেনরেল কাউন্সিলনা লৌখিবা ৱারেপ অমনা জম্মু এন্দ কাশ্মির এসেমব্লিগী অয়াবা য়াওদনা অমসুং মফম অদুগী মীয়ামগী মত লৌদনা লমদম অদুবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনী থোক্লা খায়দোকখিবা অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ মুত্থৎপগীদমক সেন্টরবু কন্দেম তৌখি।



জেনরেল কাউন্সিলগী মীফম অসিনা লমদম অদুবু অচৌবা কৈশুমশং অমা ওন্থোকখিবা অমসুং মীয়ামবু মীনমখিবা লোয়ননা ফরুখ অবদুল্লাগুম্বা লূচিংবশিং ফাখিবা অদুবু কন্দেম তৌই হায়খি।

খ্বাইদগী মকোক থোংবা থাক্কী অমসুং অনীশুবা থাক্কী সেপেরেটিষ্ট লূচিংবা অয়াম্ববু প্রিভেন্টিব কষ্টদিদা ফাদুনা থমখি অদুগা ওমর অবদুল্ল অমসুং মেহবুবা মুফটিগুম্বা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ২ য়াওনা মেনষ্ট্রিম লূচিংবশিংবুসু ফাদুনা নৎত্রগা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখি। গভর্ণমেন্টনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং শ্রিনগরগী সিটিং লোক সভা এম পি ফরুখ অবদুল্লাবু পব্লিক সেফটি এক্টকী মখাদা ফাখি।

দি এম কেনা ড্রাফ নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (দি এন ই পি) ২০১৯ অদুবু হিন্দি অমসুং সংস্কৃৎ কুম্বা লোনশিংবু নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনবনি হায়দুনা মদু লৌথোক্লবসু দিমান্দ তৌখি।

পার্টি অসিনা এদুকেসনবু কনষ্টিট্যুসনগী কনকরেন্ট লিষ্টতগী ষ্টেট লিষ্টতা হোংজিল্লকপা পাম্মি। জুলাই থাদা কানিমোঝিনা লূচিংবা দি এম কে এম পিশিংগী দিলিগেসন অমনা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর রামেশ পোখ্রিয়াল উন্নদুনা ড্রাফ পোলিসি অদু হন্দোক্লবা তকশিনখ্রবনি।

# হোং কোংদা প্রোষ্টেটরশিংনা সবৱে ষ্টেসনদা অকায়–অতোয় থোকহনখ্রে অমসুং মোলদা থোমজিনখ্রে

***হোং কোং, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

হোং কোংদা প্রোষ্টেটরশিংদা সবৱে ষ্টেসন অমগী থোংনাওশিং থুগাইখ্রে। মসিদ নত্তনা মখোয়না সোপ্পিং মোল অমদসু থোমজিন্দুনা অকায়–অতোয় থোকহনখ্রে।

প্রো–দেমোক্রেসি লোমেকরশিং ফাখিবগী মখা তারকপদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা থৌওং অসি চংখিবনি।

ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নবা মীওইশিংবু মেনলেন্দ চিনাদা থানবা এক্সট্রাদিসন বিল অমগী মতাংদগী হোং কোং প্রেটেষ্ট অসি হৌখিবনি। হৌজিক প্রোটেষ্ট অসি থা ৬ চংশিলক্লে। অমসুং অহেনবা দেমোক্রেসিগী দিমান্দ য়াওনা অতে দিমান্দ কয়ামুক হাপচিল্লকখ্রে।

প্রোটেষ্টরশিংনা সবৱে ষ্টেসন টিকেট মেচিন অমা শোকহনখিবা অমসুং থোংনাওশিং থুগাইরকপদগী ওথোরোটিজনা অৱাং পোংপোক থংবা



দিষ্ট্রিক্ট শা টিনদা লৈবা সবৱে ষ্টোপ অদু থিংজিনখ্রে। মফম অদুদা ঈরাং লাক্তিনবগী ফিজোল শেৎপা পুলিস ঙাক্তুনা লৈখি অদুবু মী ফাবগী মওং লৈখিদে।

তোঙানবা থৌদোক অমদা অৱাং নোংচুপ থংবা দিষ্ট্রিক্ট সুয়েন মুনদা সোপ্পিং মোল অমদা প্রোটেষ্টর ৪০রোমনা থোমজিনখি। মখোয় অয়াম্বনা শান্তি ওইখি অদুবু অমখক্লা চৈ অমা পায়রগা থোংনাওশিং থুগাইখি। অতে অদুনা রেষ্টোরেন্ট অমগী তেবলশিং চৈখাইখি।

হান্নগী বৃটিস লোয়লম ওইরম্বা হোং কোংবু বৃটিসশিংনা ১৯৯৭দা চিনাদা অমুক হন্না খূৎশিন্নরমখিবা অদুদা নোংচুপলোমগী মওংগী সিভিল লিবর্টিশিং অমসুং ওতোনোমি থন্নবা ৱাশকখিবা অদু হোং কোংগী চীফ একজিক্যুটিব কেররি লাম অমসুং বৈজিংগী গভর্ণমেন্টনা ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়না এক্টিবিষ্টশিং অসিনা ৱাকৎলি।

ঙরাং থাংজ নুমিৎতা পুলিসনা এক্সট্রাদিসন বিল অদুগী মতাংদা মে ১১গী মীফম অমা ফল্লিঙেদা হোং কোংগী এসেমব্লিবু অকায়বা পীবগী মরানশিংদা লোমেকর ৬ ফারে লাওথোকখি। মখোয় পূন্নমক অদু বেলদা থাদোকখি।

প্রেটেষ্টরশিংদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস কাপল্লকখিবা মতমদা পার্কিং গেরেজ অমগী য়ুমথক্তগী তারক্তুনা য়ুনিভর্সিটি মহৈরোই অমা শিখিবা অদু প্রোটেষ্টরশিংনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগী হেক নোংমগী মতুংদা লোমেকর ৬ অদু ফাখিবনি।

# ইরাননা ক্রুদ বেরেল বিল্লিয়ন ৫৩ লৈবা অনৌবা ওইলফিল্ড ফংখ্রে

***টেহরান, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

য়ু এস সেঙ্কসনশিংগী মরমদগী ইরাননা মপান লৈবাক্তা ইনর্জি য়োন্নবা ৱানা হোৎনরিঙৈ লৈবাক অসিগী হান্না লৈরিবা ওইল রিজার্বসকী মথক্তা অহুম থোকপগী শরুক অমা হেনগৎহল্লগদবা মওংদা লৈবাক অসিগী খা থংবদা ক্রুদ ওইল বেরেল বিল্লিয়ন ৫০ রোম লৈবা অনৌবা ওইল ফিল্ড অমা দিস্কোভর তৌখ্রে।

মালেমগী শক্তি লৈবা লৈবাকশিংগা তৌনখিবা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদগী হৌখিবা চহীদা য়ু এসনা তোকখ্রগা থমজিল্লকখিবা অকনবা সেঙ্কসনশিং ইরাননা মায়োক্লরিঙৈ তাল্লক্তা য়াম্লবা ক্রুদ ওইল ফিল্ড মফম অদু প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা লাওথোক্লকখিবনি।

প্রসিদেন্ট হাসিন রৌহানিনা য়াজদ কৌবা মরুভুমি সিটি অদুদা পীখিবা ৱারোল অমদা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা ৱারোল অদু লাওথোকখিবনি।

ওইল ফিল্ড অদু লৈবাক অসিগী মরুওইরবা ওইল ইন্দষ্ট্রিগী মফম ওইরিবা ইরানগী খা থংবা খুজেষ্টান প্রোভিন্সতা লৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

বেরেল বিল্লিয়ন ৫০ হেনবদু ইরানগী হান্না লৈরিবা বিল্লিয়ন ১৫০ রোম অদুগী মথক্তা হাপচিল্লগনি। হান্না লৈ হায়রিবা ক্রুদ ওইল বেরেল বিল্লিয়ন ১৫০ রোম অসিদি কমর্সিয়েল ওইনা চিংথোকপদা ওইথোক্লিংঙাই লৈরবা রিজার্বশিং অদুনি।

অহাবাজদা বেরেল বিল্লিয়ন ৬৫ য়াওবা ওইল ফিল্ড অদুগী মতুংদা অনৌবা ওইল ফিল্ড অসিনা ইরানগী অনীশুবা খ্বাইদুগী চাওবা ওইল ফিল্ড ওইরগনি।

# ইরাক ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টর ৬ হাৎখ্রে।

***বাঘদাদ, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

ইরাক সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা প্রোটেষ্টর ৬ হাৎখ্রে অমসুং অতে ১০০ হেন্না শোকহনখ্রে। প্রেটেষ্টর অদু ময়াই থংবা বাঘদাদকী ঈরাং হৌফম থোং ৩দগী তকথোকখ্রে হায়না মেদিকেল অমসুং সেক্যুরিট ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রোটেষ্টর ৫দি নোংমৈ মরুনা পাখিবনি অদুগা অতোপ্পা অমদি টিয়ার গ্যাস কেনিষ্টর অমনা মকোক্তা পানবদগী শিখিবনি।

হৌজিক চত্থরিবা এন্টি–গভর্ণমেন্ট প্রেটেষ্ট অমসুং সেক্যুরিটি অকনবা থবক্লা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৫০ হেন্না শিখ্রে।

২০০৩দা য়ু এসনা লূচিংদুনা ইরাকতা লান্দারকখিবা অদুগী মতুংদা লিংখৎখিবা পোলিটিকেল সিষ্টেম অদু শিন্দোক্কদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা হৌখিবা থাদগী লৈবাকসিগী কোনুং বাঘাদদ অমসুং খা থংবা লমদমদা মীয়ামগী প্রোটষ্টশিং অসি হৌরকখিবনি।

# খাও মনুংদা নুপীগী মখূৎশিং পুরম্বা রসিয়ান হিষ্টোরিয়ান ফাখ্রে

***সেন্ট পিটরসবর্গ, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

তুরেল অমদগী মহাকপু কন্ননবা চিংখৎলকপদা মনংগন্দা পোবা খাও অমদা নুপী অমগী মখূৎশিং য়াওরমবা থেংনবদগী সেন্ট পিটরসবর্গতা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা শক্লাইরবা রসিয়ান হিষ্টোরিয়ান অমবু হান্নগী মহৈরোই অমা হাৎপগী চিংনবদগী ফাখ্রে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি প্রোফেসার ওলেগ সোকোলো য়ু ঙাওখি অমসুং মহাক্না হকচাংগী শরুকশিং অদু হুন্দোক্লবা হোৎনবদা তুরেল অদুদা তাশিনখিবনি হায়না সেন্ট পিটরসবর্গকী মেদিয়না হায়খি। মদুগী মতুংদা পুলিসনা সোকোলোকী য়ুমদা চৎখি।

য়ুম অদুদা পুলিসনা মশাগী চহী ২৪ শুরবী এনাসটাসিয়া য়েসেংকোগী মচেৎ–মচেৎ ককথৎলবা হকচাং ফংখি।

নুপী অসিগা মহাক্না লাইরিক কয়ামরুমগী কো–ওথর ওইখিবনি। রিভর মোইকাদগী চহী ৬৩ শুরবা অহল অমা রেস্ক্যু তৌরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা ইনভেষ্টিগটরশিংনা হায়খি। নুপী অমগী মখূৎশিং মহাক্কী বেকপেক মনুংদা য়াওরম্বা থেংনরে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

# পাকিষ্টানগী নারিবা হান্নগী প্রেমিয়র শারিফ লন্দনদা চৎলগনি

***লাহোর, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

পাকিষ্টানগী মশা নাদুনা লৈরিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফ মহাক্কী ফিভম লুনা লৈবগা লোয়ননা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা লায়েঙনবগীদমক লন্দনদা চৎলগনি হায়না ঙরাং থাংজ নুমিৎতা পি এম এল –এনগী সেনিয়ার লিদর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

দোক্তরশিংগী পাউতাক মতুং ইন্না অমসুং মহাক্কী ইমূং–মনুংগী হায়জবা য়ারদুনা পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ–নৱাজ (পি এম এল–এন) সুপ্রিমো অসিনা লায়েঙনবগীদমক য়ু কেদা চৎপা হায়বদু ইরাই নুমিৎতা য়াখি।

নৱাজ শারিফনা মাগী লায়েঙনবগীদমক মনাওনুপা শাভাজ শারিফকা লোয়ননা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা পকিষ্টান ইন্টরনেসনেল এয়ারলাইন্স ফ্লাইট অমদা লন্দনগীদমক খোঙশানখ্রগনি।


# ‘বুলবুল’ বেঙ্গল য়ৌরকখ্রে, কোলকটা এয়ারপোর্ট থিংখ্রে, জহাজ পেসেঞ্জর ৭৫ কনখ্রে

***কোলকটা, নবেম্বর ১০(এজেন্সি)ঃ***

কোলকতাগী খাদা কিলোমিটর ১২০লোম লাপ্পদা লৈবা শাগর আইলেন্দগী মনাক্তা ঙসি অয়ুক পূং ৯ তাবদা শাথিরবা সাইক্লোন বুলবুলনা পূংদা কিলোমিটর ১৩৫গী অয়াঙবা নুংশিৎকা লোয়ননা য়ৌরকখ্রে।

মসিগী মতুংদা বুলবুলনা অৱাং–নোংপোকলোমদা চৎখিবা য়াই। নোংলৈ–নুংশিৎ অসিগী লম্বীদা লৈবা অনেম্বা সমুদ্রা তোর্ব্বানগী মফমশিংগী মীওই লাক্ষ ১.৫ লোম শাফগদবা মফমশিংদা পুথোক্লকখ্রে।

এয়ারপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পূং ৬তগী কোলকটা এয়ারপোর্ট পূং ১২ থিংজিনখ্রে। ফ্লাইট পূন্নমক কেন্সেল তৌখ্রে।



ফিভম অদু য়েংশিন্নবা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ষ্টেট সেক্রেটরিয়েটতা লিংখৎলিবা কন্ট্রোল রুম অমদা লাকখ্রে। স্কুলশিং, কলেজশিং অমসুং আঙ্গনৱাদি সেন্টরশিং থিংজিনখ্রে।

মমতা বেনর্জিনা সমুদ্রা তোর্ব্বনাগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী অনেম্বা মফমশিংদগী মীওই ১৬৪,৩১৫ মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসননা রেস্ক্যু তৌখ্রে। স্কুলশিং অমসুং আই সি দি এস, ফ্লদ এন্দ সাইক্লোন সেন্টরশিংদা হাংদোকপা রিলিফ কেম্প ৩২৮দা মীওই ১২,৩৬৫ থমখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা বে ওফ বেঙ্গলদা ক্রুজ সিপ অমগী য়ামদ্রবদা পেসেঞ্জর ৭৫শু রেস্ক্যু তৌখ্রে। পেসেঞ্জরশিং অদু নামখনা মনাক্কী মৌসুনি ঈথৎতা চংজফম লৌহন্দুনা থমখ্রে।

পেসেঞ্জরশিং অমসুং জহাজগী ক্রুশিং অদুনা মখোয় চানবা চীঙাকশিং মথৌ তাদে, সুপ্নগী চংজফম লৌদুনা লৈবখক পাম্মি হায়খি।

নোংলৈ–নুংশিৎ অসিগী ফিভম শাফরক্তিবা ফাওবা মখোয় মফম অদুদা লৈখিগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর অদুনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Impbal LPG**
Booking : 25/10/19
Valid : 22/10/19
Sl. No. : 3070
Stk : 306
Time : From 08.30 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 14/10/19
Valid : 08/10/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi, Indane**
Booking : 06/10/19
Valid : 03/10/19
Sl. No. : 280350
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 10/10/19
Valid : 09/10/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.
First Come First Serve

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 25/09/19
Valid : 19/09/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m.
First Come First Serve

**Heirok Gas**
Booking : 15/10/19
Valid : 11/19/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Santhel Indane**
Booking : 09/10/19
Valid : 08/10/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.
First Come First Serve

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-296**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | | 4 | 8 | | 7 | |
| | | 8 | | | 7 | 2 | 1 | |
| | 5 | | | 2 | | 8 | 4 | |
| 4 | 2 | | 7 | | | | | 8 |
| 1 | | 7 | 2 | 8 | | | | |
| | 8 | | 1 | 3 | | | | 4 |
| 8 | 7 | | | | 2 | 4 | | |
| | | 4 | | | 5 | | 6 | 2 |
| | | 2 | 4 | | | 5 | | |

**সনা–সুদোকু – ২৯৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 2 | 4 | 7 | 1 | 9 | 3 | 5 | 6 |
| 6 | 9 | 5 | 8 | 3 | 2 | 1 | 7 | 4 |
| 7 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 9 | 8 | 2 |
| 9 | 5 | 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 1 | 7 |
| 3 | 1 | 7 | 4 | 8 | 5 | 2 | 6 | 9 |
| 2 | 4 | 6 | 9 | 7 | 1 | 8 | 3 | 5 |
| 5 | 7 | 2 | 1 | 4 | 8 | 6 | 9 | 3 |
| 4 | 8 | 9 | 6 | 5 | 3 | 7 | 2 | 1 |
| 1 | 6 | 3 | 2 | 9 | 7 | 5 | 4 | 8 |